# অঙাংগী বাইবল

খুদোল তাম্জারী



# ঈশ্বরগী ফজাবা য়ুম, স্বর্গ

অইবা : Edward Hughes

লাই ল.যকিপবা : Lazarus

চুনাহান্বিবা : Sarah S.

হন্দোকপিবা : Prem Chand Singh

ফোংদোকিপবা : Bible for Children

www.M1914.org

BFC
PO Box 3
Winnipeg, MB R3C 2G1
Canada

©2013 Bible for Children, Inc.

লাইসেন্স: পোৎচাকশিংসি অদোম্না কোপি তৌবা নত্রগা নমথোকপা য়াই অদুবু ল.যাল্লাগা শেন্দান লাম্বিগী ওইনা সিজিন্নাবাদী য়ারোই ।

যীশুনা তাইনংপান্দা লৈরিঙৈদা মহাক্কি সেবকশিংদা স্বর্গগী মরমদা ৱারি লিবিরম্মি। মদু মহাক্কী ঐগী ইপাগী য়ুম হাইরমই অমসুং মদুদা কা ময়াম য়াওবা য়ুমশিং লৈ হাইরমই। য়ুম অদু য়াম্না চাওই, য়াম্নাসু ফাজে। স্বর্গদি য়াম্না চাওই অমসুং পৃথিবীদা লৈবা য়ুমশিংদগী ফজাবা য়াম্না হেল্লি।



যীশুনা হাই, "ঐ নখোইগী মফম থৌরাং তৌবা চৎলিবনি। অমসুং ঐনা নখোইগী মফম থৌরাং তৌবা চৎলাবনিনা, ঐ নখোইবু ঐগা লৈমিন্নাবা অমুক লৌবা লাক্কানি"। যীশুনা শিবদাগী হিংগৎলাবা মতুংদা স্বর্গদা চৎলমই। যীশুনা স্বর্গদা চৎপা অমসুং লৈচিন্ মরক্তা অসুম চংথিবদু সেবকশিংনা উরম্মি।



মতমদুদগী, খ্রীষ্টানশিং যীশু অমুক মখোইবু লৌবা লাক্কানি হায়বা ৱাশক্কু অদুম নিংসিংদুনা লৈ। যীশুনা হাইরম্মী, ঐখোইনা থাজদবা মতমদুদা মহাক শোয়দানা লাক্কানি হায়না। অদুবু যীশু লাক্ত্রীঙৈদা শিখিবা খ্রীষ্টানশিংদুদি করি তৌবা তাই ? বাইবলনা হাই, মখোইদি যীশুগা হকথেংনানা উনগানি। হকচাংবু থাদোকপা হায়বাসি ঈশ্বরদা তিনবনি।



বাইবলগী অরোইবা লাইরিক ফোংদোকপীবা দুদা স্বর্গগী মরমদা মারিক চুমনা ই। খ্বাইদগী ঙকপা অমসুং ফাজবাদু করিনো হায়বাবু, স্বর্গ অসি ঈশ্বরগী ময়ুমনি হায়বাদুনি। ঈশ্বরদি মফম খুদিংদা লৈ অদুবু মহাক্কী ফম্বালদি স্বর্গনি।



স্বৰ্গদূত অমসুং স্বৰ্গগী ওইবাশিংদু স্বৰ্গদা ঈশ্বরগী লাইনিং লাইশোন তৌদুনা লৈ। মরম অসিনা ঈশ্বরদা শিথিবা মীশিং অদুসু স্বৰ্গদা মখোইগুমনা তৌদুনা লৈ। মখোইনা ঈশ্বরবু থাগৎপগী ফজবা

ঈশৈ শকই।



মখোইনা শকপা ঈশৈ অমগী ময়েক্তু অসুম্না হাই: নহাক্তি মতিক চাবা ঈশ্বরনি, জাতি অমসুং উপজাতিগী মীশিংবু নহাক্কি মমল য়াম্লাবা ঈদুনা ঈশ্বরদা চংজবা য়নানাবা কোকপিরে অমসুং ঐখোইবু ঈশ্বরগী মাংদা নিংথৌশিং অমসুং পুরোহিতশিং ওইহনবিরে।

(ফোং.৫:৯)



বাইবলগী ইরোই লোইবা লমায়দুদা স্বর্গ অসি "অনৌবা জেরুসালেমনি" হায়না হাই। মদু য়াম্না চাওই, অৱাংবা চেকপন্না কোইসিল্লী। চেকপন অদু মমল য়াম্না তাংবা নুংশিংনা সেম্মি অদুগা নুংশেলগুম্না লংলম্মি। চেকপনগী হৌফমদু সনা অমসুং মমল য়াম্না তাংবা নুংশিংনা য়োমসিল্লি, ফজাবা মচুশিংনা মৈগুম ফিরি-ফিরি লংই। শহরগী কোন্থোং খুদিংমক্তু নামতা ওইবা অচৌবা মুক্তানা শেমলমই!



অচৌবা মুক্তাগী থোঙগালশিংদু অদুম হাংলগা লৈরমই। মনুংদা চংসি অদুগা য়েংসি ... ৱাৱ! স্বর্গসিদি মনুংনা হেন্না ফজৈনা। শহর অসি অশেংবা সনানা, অরংবা নুংশেলগুম শেমলম্মি। সোডোক ফাওবা সনানা শেমলম্মি।



য়াম্না ফজৈ, অশেংবা অহিংবা ঈশিংগী তুরেলদু ঈশ্বরগী ফম্বালদগী হৌঈ। তুরেল অদুগী অতোপ্পা নকান্দানা ইডেনগী লৈকোন্দা অহান্বা ফংবা অহিংবা উপানবি অদু হৌই। মসিগী উপানবিসি য়াম্না মরু ওই। মসিদা তোঙান-তোঙানবা উহে তরানিথোই থা খুদিংগী তোঙান-তোঙান্না পাল্লি। অমসুং অহিংবা উপানবিগী মনাশিং অদু জাতিশিংবু ইংনা ফজানা লৈনাবগিদমকনি।



স্বর্গবু ঙালহন্নাবা নুমিৎ–থা দরকার ওইদে। ঈশ্বরগী অঙকপা মতিক মগুন্না অদুম ঙান্দুনা লৈ। অদুদা অহিং শুকওই ওইদে।



স্বর্গদা লৈবা শাশিং ফাওবা তোপ-তোপ্পি। মথোই লোয়না মবুক তপ্পি অমসুং ইচান চাল্লি। কৈসাল অমসুং য়াওশিং পুন্না চাক্তামিন্নারম্মই। মপাঙগল কনবা নোংশা ফাওবা সনলাবাগুমনা চরু চরম্মই। ঈশ্বরনা হাই, "ঐগী অশেংবা চিংজাওশিংদা মথোয়না কনাবসু শোকহনলোই নত্রগা মাং তাকহনলোই"।



ঐখোয়না অসুম কোইনা য়েংবা মতমদা, ঐখোয়না তোইনা শিজিন্নাবা থরা স্বর্গদা উবা ফংদে। মদুদি অশাওবা ৱাহৈশিং তারন্দে। কনাসু অমগা–অমগা থৎনাদে নত্রগা মশাগী ওইজবা থিদে।



মফম অদুগী থোঙশিংদা শো পান্দে, মরমদি স্বর্গদা হুরান্বা কনাসু লৈতে। মচীন থিবা মী লৈতে, মিহাৎপা, পোৎশেম–যাদু তৌবা, নত্রগা ফত্তবা মী লৈতে। স্বর্গদা করিগুম্বা মথলগী পাপ অমতা লৈতে।



স্বৰ্গদা ঐখোয়না ঈশ্বরগা লোয়নাবা মতমদা মিত্তাগী পী তাবা লৈরারোই। করিগুম্বা মতমদা, তাইবংপানবগী অৱাবনা মরম ওইদুনা ঈশ্বরগী মীশিং কপ্পী। স্বৰ্গদদি, ঈশ্বরনা ঐখোইগী মিংকী পী লোয়না তৈথোকপিগনি।

স্বর্গদা শিবাসু লৈতে। ঈশ্বরগী মীশিং ঈশ্বরগা মতম চুপ্পা লৈমিন্নাগনি। মদুদা অৱাবা, মীকপ মীরাওখোল, হকচাংগী নাবা করিসু লৈতে। হকচাং ঙম্দাবগী অৱাবা, থাইদোক্লাবা, অশিবা পোৎলোইবা করিসু লৈতে। মী খুদিংমক স্বর্গদা ঈশ্বরগা মতম পুন্নামাক্তা নুংঙাইনা লৈ।



খ্বায়দগী ফবদি, স্বর্গ অসি যীশু খ্রীষ্টবু কন্বিবা মপুগুমনা থজবা অমসুং মহাক্কী হাইবা ইনবা (ইনখৎলক্লিবা) নুপামচাশিং অমসুং নুপীমচাশিংগীনি। স্বর্গদা য়াওমচাগী হিংবগী লাইরিক কৌবা লাইরিক অমা লৈ। মসিদা মী কয়ারোমগী মিংশিং ইদুনা লৈ। মদুদা কনা-কনাগী মিং ইদুনা লৈ হাইবা নং খংব্রা? যীশুদা থাজবা থমবা মী লোয়নামক্কী। নহাক্কি নামিং মদুদা য়াওখ্রাব্রা?



বাইবলদা অরোইবা ৱাহৈ স্বর্গগি মরমদা ইবাদু অঙকপা বার্ত্তোন অমনি। "ঈশ্বরগী থাৱাই অমসুং লুহোংগদবা বর অদুনা হাই, 'লাকউ'! অমসুং তাবা মীশিং খুদিংমক্তুনা হাইজসানু 'লাকউ'! অদুগা থৌরাংবা মীশিংদু লাকচসনু। অমসুং অপাম্বা লৈবা মীশিংদুনা, লাক্তুনা হিংবগী ঈশিং অদু মমল পিদানা লৌজসনু"।



ঈশ্বরগী ফজাবা য়ুম, স্বর্গ

বাইবল অসি ঈশ্বরগী ৱাহৈদগী ৱারি অমনি

মসি ঐখোইনা ফংই

যোহন ১৪, ২ কোরিন্থিয়ানস ৫,
ফোংদোকপিবা ৪, ২১, ২২

“ঈশ্বর মহাক্কী ৱাহৈ অদুনা ঐখোইদা ঙাল্হাল্লি।”
লাইশোল ঈ শৈ ১১৯:১৩০

# লোইজারে

60

60

অসিগী  বাইবলগী ৱারী অসিনা ঐখোইদা ঐখোইবু শেম্বিবা মতিক লৈবা অমসুং অদোম্না  থংবাদা য়াম্না মরু ওইবা মপু লাইনিংথৌ মহাক্কি মরম্দা ঐখোইদা তাকপি ।

ঐখোইনা পাপ কৌবা ফত্তবা থবক অদু তৌখ্রে হাইবা ঈশ্বরনা খঙই । পাপকি অতৌমন্দি শীবনি, অদুবু ঈশ্বরনা নাহাকপু অসুক্কী মতিক নুংশিবী মরম অদুনা মহাক্কী অমতা ঙাইজবা মচা নুপা যীশুবু নহাক্কী পাপ্কী উসিন ওইনা ক্রোস্তা শীবিনাবা থাবিরে। অদুম ওইরসু যীশুনা অমুক শীবাদগী হিংগত্তুনা শ্বরগদা চতখি! নহাক্না যীশুবু থাজরাবদি অমসুং নহাক্কি নপাপশিংদু কোক্পীয়ু হায়না মাঙোন্দা হায়জারবদি, মহাক্না সোয়দনা কোকপিগনি! মহাক নংগী পুন্সিদা লাক্কানি অমসুং মহাক্কা লোম্বা নাইদনা হিংমিন্নাবা ফংগনি ।

নঙনা মসি অচুম্বানি হায়না থজারবদি, অসুম্না ঈশ্বরদা হাইজৌ: নুংশীরবা যীশু, ঐ নংবু ঈশ্বরনি থাজাজৈ, নহাক্না তাইবংপানদা মী ওইনা লাক্তুনা ঐগী পাপকিদমক শীবি অমসুং শীবাদগী হিংগতপি । ঐগী পুন্সিদা লাকপিয়ু অদুগা ঐগী ইপাপসিং ঙাকপিয়ু, অদুগা ঐ অনৌবা পুন্সি হৌজিক ফংজগে অমসুং নহাক্কা লোইনানা লোম্বা নাইদনা হিংবা ফংজাগে । নহাক্কি হায়বা ইনবা নচা অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা ঐবু মতেং পাংবিয়ু । অমেন ।

নুমিৎ খুদিংগী বাইবল পাও অমসুং ঈশ্বরদা প্রথনা তৌ! যোহান ৩:১৬